HUEIYEN LANPAO

# নেসনল স্কুল গেমস অন্দর-১৭ গার্লস ফুটবোল টুর্ণামেন্ট টিম ১৯ না শরুক য়াদুনা হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০২ ঃ

দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা শিন্দুনা ঙসিদগী খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা ৬২ শুবা নেসনল স্কুল গেমস ফুটবোল অন্দর-১৭ গার্লস তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ১৯ না শরুক য়াদুনা চথবা হৌখ্রে।

নেসনল স্কুল গেমস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মিৎয়েং মখাদা ষ্টেট অসিগী স্পোর্টস দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা চথবা হৌখ্রবা টুর্ণামেন্ট অসি ঙসি নুংথিল গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী কন্সলটেন্ট ডা. আরকে নিমাই, য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর ডা. হরমিট সিংহ পহুজা, স্কুল গেমস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী ওবজার্ভর ডা. অনিল বসিট অমসুং মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিএশনগী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. জি এ ইবোপিশক্না মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াদুনা হৌদোকখি।

টুর্ণামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমগা মরী লৈননা শরুক য়ারিবা টিমশিংনা মার্চ পাস চৎখিবগা লোয়নননা মণিপুর টিমগী শান্নরোয় দাইনানা শান্নরোয়শিংগী মহুৎ শিন্দুনা ৱাশক লৌখি।


নেসনল স্কুল গেমস অন্দর-১৭ গালর্স ফুটবোল টুর্ণামেন্ট হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুরগী শান্নরোয় দাইনানা ৱাশক লৌবা

টুর্নামেন্ট অসিদা মণিপুর টিমনা চেম্পিয়ন ওইগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থম্লিবনি। টুর্ণামেন্ট অসিগী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেচতা টেলঙ্গনা, মহারাষ্ট্র, গুজরাট, ৱেষ্ট বেঙ্গল অমসুং টামিল নাড়ু মায় পাকখ্রে।

নেসনল স্কুল অন্দর-১৭ গার্লস ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা টিমশিং অদুদি ৱেষ্ট বেঙ্গল, টেলঙ্গনা, টামিল নাদু, মহারাষ্ট্র, হরিয়ানা, দেল্লি, অন্ধ্র প্রদেশ, বিহার, সী বি এস সী, ৱেলফ্যের স্পোর্টস ওর্গেনাইজেসন চাণ্ডিগর, ভিদ্যাভার্টি, ছটিশগর, গুজরাট, কর্ণাটাকা, মধ্য প্রদেশ, উরিষা, পঞ্জাব, ত্রিপুরা, বিদরভা অমসুং য়ুস্থু মণিপুরনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা মণিপুর টিম গ্রুপ এদা ছটিসগর, দেল্লি, গুজরাটকা পুন্না তামিন্নরি। গ্রুপ এ দা ঝরখন্দ য়াওগনি হায়বা তৌরম্না অদু খুদোংচাদবা খরদগী লাকখিদবা মরম্না টিম মরিখক্না শরুক য়ারি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা টেলঙ্গনানা উরিষাবু গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা টেলঙ্গনাগী গোল অদু সুমিতা টনতানা চনখি। ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা মহারাষ্ট্রনা ভিদ্যাভার্টিবু গোল ১৯-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা চাউনা মায় পাক্লবা মহারাষ্ট্রগী গোলশিং অদু অনকিতা কালেনা গোল অহুম, অঞ্জানাখিনা গোল তরেৎ, ফ্লোরে পেরেরানা গোল মরি, য়াসশ্রি অমসুং শিরুতিনা গোল অনী-অনী অদুগা সাইকালেনা গোল অমা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা মেচতা গুজরাটনা দেল্লিবু গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা গুজরাটকী গোল অদু মমদানি কপাদিয়া অমসুং কিমজাল থাকুরনা চনখি। দেল্লিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু সলিনি রাইনা চনখি।

মরিশুবা মেচতা ৱেষ্ট বেঙ্গলনা কর্ণাটিকাবু গোল ১১-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা চাউনা মায় পাক্লবা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী গোলশিং অদু হেমরাম, দেবিনি জারে অমসুং সঙ্গীতানা গোল ২/২ চনখি। অদুগা তুলসিনা গোল অহুম অদুনা প্রিটি অমসুং কৃষ্ণনা গোল অমমম চনখি।

ঙসি শান্নখিবা মঙাশুবা মেচতা টামিল নাদুনা বিহারবু গোল ৯-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা চাউনা মায় পাক্লবা টামিল নাদুগী গোলশিং অদু এস প্রিয়াদর্শিনিনা গোল অহুম, এন এন সন্থিয়া অমসুং ঈ কভিপা রামেশ্বরিনা গোল ২/২ চনখি। বি মারিয়া অমসুং টি থামরিনা গোল অমমম চনখি।

টুর্ণামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা ওইনা হয়েং অয়ুক্কী পুং ৭ তাবদগী তোঙান-তোঙানবা মেচ ১৫ খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়ম, প্রাক্টিস গ্রাউন্দ অমসুং আর্টিফিসিএল টর্ফতা শান্নরগনি। মণিপুরগী মেচ অয়ুক্কী পুং ৭ তাবা মতমদা আর্টিফিসিএল টর্ফতা দেল্লিগা শান্নরগনি।

টুর্ণামেন্ট অসিদা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিং অদুদি ইম্ফাল ইষ্টতগী এস ঐচ মোনিকা, পি ঐচ অশিলা চনু, এস রুসিয়া চনু, ৱাই কিরনবালা, এ অনিতা, আই থাইলেন্দ, এস সনাথোকপীনি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী এ জোসিমা, পি ঐচ ইচন, কে পিঙ্কি, এস দিনেশ্বরি, রবিয়া, ৱাই লক্সমি, এন বোরকৈন্যা, টি ঐচ বেবিস্নানি। চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতগী দাইনা, চান্দেলদগী কে ঐচ অনিতা, কে ঐচ নিরমালানি।

মণিপুর টিমগী কোচনা আর কে অমুস্নানি। টিম মেনেজরনা এ ভানুনি।

---

**ৱর্ল্ড বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ**

# এম দি ৱাস্মির খাননা জুনিয়র কেজি ৭০ মখাগী কাঙলুপ্তা গোল্ড মেদল লৌখ্রে




ইম্ফাল, দিসেম্বর ০২ ঃ

থাইলেন্দগী পটয়া সিটিদা হৌখিবা নবেম্বর ২৯ দগী চত্থরিবা ৮ শুবা ৱর্ল্ড বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ কী জুনিয়র মেন'স বোদি বিল্ডিংগী কেজি ৭০ মখাগী কাঙলুপ্তা মণিপুরদগী ইন্দিয়াগী মহুৎ শিল্লিবা শান্নরোয় ইফম এম দি ৱাস্মির খান্না গোল্ড মেদল লৌখ্রে।

ৱর্ল্ড বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীখিবগা লোয়নননা ঙসি এম দি ৱাস্মির খান্না গোল্ড মেদল লৌখিবনি। দিসেম্বর ৫ ফাওবা চত্থগদৌরিবা ৱর্ল্ড বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়ন টিমদা শরুক য়ারিবা মণিপুরগী বোদি বিল্ডরশিংদি নুপাগী জুনিয়রদা ইফম এম দি ৱাসমির খান, নেপ্রম রাকেস, নুপীগী বোদি বিল্ডিংদা থিংবাইজম সরিতা, থাংজম লৈমা চনু অমসুং কে রেবিতানি। নুপাগী সেনিয়রগী কাঙলুপ্তা রোবার্ট মীতৈ, নিংথৌজম সুরজ অমসুং শৌগ্রাকপম বুংচানি।

ঙসি ফাওবদা মণিপুরগী বোদি বিল্ডর ইফম এম দি ৱাস্মির খান নত্তনা অতোপ্পা বোদি বিল্ডর অমত্তা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমদ্রি। ঙসি জুনিয়র মেন বোদি বিল্ডিংগী কেজি ৭০ মথক্কী কাঙলুপ্তা নেপ্রম রাকেশনা মরিশুবা পোজিসন তাখি। নুপীগী বোদি বিল্ডিংগী কেজি ৫৫ গী কাঙলুপ্তা থিংবাইজম সরিতা দেবীসু মরিশুবা পোজিসন তাখি। লোয়নননা নুপীগী বোদি বিল্ডিংদা থাংজম লৈমা চনু অমসুং কে রেবিতা দেবী ফাইনেল রাউন্দ ফাওবা চঙখি। অদুবু পোজিসন লৌবদি ঙমখিদে।

হয়েং সেনিয়র মেন বোদি বিল্ডিংদা নিংথৌজম সুরজ, শৌগ্রাকপম বুংচা পার্ফোমেন্স পীগনি। লোয়নননা মণিপুরদগী হৌখিবা মিষ্টর ৱর্ল্ড অরাম্বম বোবী, সী আর পি এফকী রোসিকুমার অমসুং কে ঐচ প্রিতমগী পার্ফোমেন্স লৈগনি।

---

# থাং-তা রিকগনিসন পীনবা থাং-তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা স্পোর্টস মিনিষ্টরদা তকশিনখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ০২ ঃ

লমদমসিগী ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরম্বা মমল য়াম্লবা থা-তাগী মহৈ অসিবু মালেমগী থাক্তা পুখৎতুনা মুৎখিদনবগীদমক লৈবাক শিনবা থুংনা পাম্না শান্নরক্লিবা থাং-তা স্পোর্টসপু য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রিনা রিকগনিসন পীবিননবগীদমক থাং-তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীহুৎশিংনা স্পোর্টর্স মিনিষ্টর ভিজয় গোয়লদা তকশিনখ্রে।

ঙসি থাং-তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট, হুইদ্রোম প্রেমকুমারনা লুচিংখিবা দিলিগেসন টিম অদুনা স্পোর্টস মিনিষ্টর ভিজয় গোয়লদা থাং-তা মার্সিয়েল আর্টস গেম অমদি থাং-তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াবু নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসন অমনি হায়না রিকগনিসন পীনবগীদমক তকশিনখি। স্পোর্টস মিনিষ্টর ভিজয় গোয়লনসু ৱাফম অসিগী মতাংদা মহাক মশামক্না য়েংশিল্লগনি হায়না অচেৎপা থাজবা পীরকখি হায়রি।

দিলিগেসন টিম অদুদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী এম এল এসু ওইরিবা নোর্থ জোন থাং-তা ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট অঞ্জুম ফসলি, নোর্থ জোন থাং-তা ফেদরেসনগী সেক্রেটরি জৱাইদ অহমদ সাহ অমদি ৱর্ল্ড থাং-তা ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট ঐচ প্রেমকুমার, থাং-তা ফেদরেসন ওফইন্দিয়াগী সেক্রেটরি বিনোদ শর্ম্মা অমসুং ফেদরেসন অসিগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি অয়াস অহমদসু শরুক য়াখি।

ঙসি স্পোর্টস মিনিষ্টর ভিজয় গোয়লগা থাং-তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীহুৎশিংগা উনখিবা অদু জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী এম এল এসু ওইরিবা থাং-তা মশান্না অসিবু চাউখৎনবা য়াম্না কন্না হোৎনরিবা নোর্থ জোন থাং-তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট অঞ্জুম ফসলিনা হোৎনবদগীনি।

ঙসি স্পোর্টস মিনিষ্টর ভিজয় গোয়লগা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীহুৎশিংগা উনখিবা অদু চাউনা মায় পাকপা খোঙথাং অমা ওইখিবগা লোয়নননা থাং-তা মশান্না অসিবু চাউখৎনবা মখা তানা হোৎনখিগনি হায়না ফেদরেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

# মিষ্টর মণিপুর পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০২ ঃ ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিএশননা শীন্দুনা মিষ্টর মণিপুর কনটেষ্ট ২০১৬ থা অসিগী ৪ গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা ভৈগ্যাচন্দ্র ওপন এয়র ঠিএটরদা পাঙথোক্লগনি। মিষ্টর মণিপুর কনটেষ্ট পাঙথোক্লকপা চহী ৫০ শুবাগী গোল্ডন জুবিলি থৌরম অসিদা পাঙথোক্ক-দৌরিবা কম্পিটিসনশিং অদুদি সেনিয়র, জুনিয়র, মাষ্টর, ফিজিকেলি চেল্লেঞ্জ, ৱিমেনস ফিটনেস, ৱিমেনস বোদি বিল্ডিং অমসুং মেন ফিজিকনি। থৌরম অদুদা থোংজু এ সীগী এম এল এ, থোঙাম বিশ্বজিৎ, অম্বাগী প্রসিদেন্ট এল মঙলেম, মিষ্টর মাইপাক অমদি আই বি বি এফকী মশক নাইরবা মীওইশিংসু শরুক য়াগনি।

loan pijari

**LOAN AVAILABLE**

1. Vehicle loan (2wheeler/3wheeler/4wheeler etc....)
2. Business loan [Rs.10,000 to Rs.10 Lakhs (12% P.A)]
3. Self Help Group (S.H.G) loan [Rs.10,000 to Rs.10 Lakhs (12% P.A)]
4. Pension loan (1.5%, 2%, 2.5%&3% P.M)
5. Gold loan (1.5% to 2.5% P.M)
6. Electronics loan (T.V, Laptop, Xerox Machine, Washing Machine, etc...)
7. Machinery loan (Flex machine, Iron soldering machine, Water pump, etc....)

কনাগুম্বা মীওইশিং অমসুং L.G. MOTORS গী LOANEE শিংগী ওইনসু পৈশা শানদোকপা (পুথোকপা) দসু য়াম্না কানরবা FACILITIES পীজরি।

Please contact:- L.G. MOTORS

& Development Organisation For Socio-Economic In Rural Area(DOFSIRA)

Office Hour: 10.00am-04:00pm

KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI(H.Q),IMPHAL

Branches:- SEKMAI KOUJENGLEIMA,THOUBAL OKRAM, SAMUROU NEAR MACHU HALL, NAMBOL LAMBAN,MOIRANG PATLOU,KAKCHING OPP. ELECTRICITY OFFICE.

HL-B/3347/21,23,25.....




Authorised Tata Motors Dealers

TIDDIM MOTORS :

Kwakeithel Opposite Imphal College Airport Raod, Imphal West, Manipur ( +91) 9435246580

*T&C Apply. All offers are from dealers. Total benefits includes cash offer + exchange bonus. Accessories shown may not be part of standard fitment. Exchange value as per evaluation by Tata Motors Assured only. Limited period offer on select models & stock only. Registration, Insurance & other charges to be paid as applicable. Finance at the sole discretion of the financier.

HL-B/3457/11/11-13/12







